# ৱারীমচা

## ফোংঙখিদ্রবা লাইরিক অমা

*হাইলাকান্দি, অসাম*

পূং তরেৎ মখায়গী ক্লাস নংনবা খোঙকাপ লাওনা থাংদুনা চৎলি ঐ। স্কুল য়ৌবগা অশাংবা নুংশাশ্বর অমা হোন্দোকই। দাসবাবুদি ক্লাসতা লাইরিক তাকপীবা হৌরম্লে। কিলোমিটর তরেৎলোম লাপ্না লৈবা মহাক্লা স্কুল মতম চানা লাকপা ঙম্লগা অনকপদা লৈবা ঐখোয়না করিগী ঙমদ্রিবনো? খঞ্জিল্লুবদা ইকায়নীংঙাইনি। দাসবাবুদি গাড়ী থৌবসু হৈতবনিনা, নোংমদা কিলোমিটর তরেৎ অনী, তরামরিসি মখোঙনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবনি মতম খুদিংমক্তা কয়া লু-নাঞ্জদবা, অদুবু দিসিপ্লিন অমদি পংচুয়েলদা লৈজবা ওজানি। কমন রুমদা কনাগুম্বা ওজাগা ৱারেম ঙাঙনগনবা, মতম চানা স্কুল কাদবা, তোয়না ছুটি লৌগনবা ওজাসু নত্তে। নোংফাদোক ঐখোয়না স্কুল নংদবদা মাবু উরগা ইকায়নৈ।

ইখি খিগৎকনবা নহা, ওজা মনিসনাদি তুমিন-তুমিন ওজা দাসবাবুগী ইমুং মনুংগী ৱারী হংলগা হেক হেক খঙদোকই। দাসবাবুনা মনিসনাগতনি তোরো খোন্দানবসে। মসিগী মরমদি, পীশক পীক্লিঙৈদগী তিন্নরকপা অমদি দাসবাবু হান্না মনিসনাগী খুলদা চাউরকপননি। কোন্না, দাসবাবুগী য়ূম, মহাক্লা হৌজিক লৈরিবা মখোয়গী বঙ্গালী খুল অদুদা হোংখিবনি।

মনিসনাদি মপূক্লীংদা ৱা থম্বা হৈবা মী নত্তে, দাসবাবুগী ৱারী কয়া ঐঙোন্দসু লীখি। মানা লীরিবা ৱারী কয়া ঐনা থাজবা ঙমদে। ঐনা থাজদবা মওং উরগা মহাক্লা হেক হেক হায়, “ইচে, তশেংবমক্কীনি। থাজদ্রগা ক্লাস লৈতবা মতম, কমন রুমদা লৈবা মতমদা ঐ হৌদোরক্কে।”

মনিসনাদি খোয়খা লিনখা থাগন্দবা মওং অমগী মীনি। অদুনা মানা ঙাঙবা কনানসু শাউবা ঙম্নদে।

কমন রুমদা অতোপ্পা ওজা অমতা লৈতবা, ঐখোয় অহুমদং লৈবা মতমদা মনিসনানা ওজা দাসবাবুদা ওনশিল্লগা হৌদোরকই, “ওজা, ঙসিদি ইতৈমা ঙন্না হৌগৎপরা? নৎত্রগা দাদানা চৈ অশাংবা অমা পায়রগা মনীংগোংদা থিল্লুবরা?”

মনিসনা মমায় হাইরপ লৈথোক্লগা নোক্লি।

দাসবাবু তুমিন্না লৈরম্বদগী ঐঙোন্দা ফল্লপ ফল্লপ য়েংলগা মনিসনাদা ওনশিল্লগা হায়খি, “নঙনে, ঐঙোন্দা হেক হেক হৌবসি তৌনু। য়ূমদগী খোয়দৌ শাউগৎলগা লাক্লিসিদা নঙনা অমুক অচাকপদা ইকুম লংশিল্লক্লনু।”

দাসবাবু মমায়দু লৈথোক্লগা মায়থোঙ মকশীন্না লৈখি। মনিসনাদি চরাঙনবা মীনি। দাসবাবুগী মায়থোঙদু য়েংলুদনা অমুক মখা তাশিল্লকই, “তীলহৌ থাবগী ৱারীদু ঐখোয় মেদামদা অমুক্তংগা লীবিয়ু কৈদৌগে।”

কনামত্তগা ৱারী শান্নগন্দবা ওজাদো ঙসিদি য়াম্না শাউনা ময়ূমদগী লাকপনরা করিনো, হায়রকই, “মেদাম, মনিসনানা ঐঙোন্দা হৌরক্লিবসি উবিরেদনা? নুমিৎ খুদিংগী মানা ঐঙোন্দা ৱারী অমা নৎত্রগা অমা হংলগা ঐবু ৱা হেক্তা ঙাঙহল্লি। তৌবগীবুদি, নুংঙাইতবসিদি মীঙোন্দা লীথোক্লগা ফৈ হায়নবদুদা ঐসু ঐগী নুংঙাইতবশিংদু মঙোন্দা হেক হেকপুদি লীথোকই। খঙদ্রেদা মেদাম, নুপী হায়বসে মখল কয়াবু শুরিগবা! ঐদি নুপী হায়বসে ঐগী ইমাগুম্বা, অবোক্কুম্বা, ইনেখোয়গুম্বা ঙাক্তা ওইরমগনি খল্লম্মী। অদুবু ঐগী নুপীনা তৌরিবা মওংসিদি করি মওংনো খঙদ্রে। ময়ান্নদি ফৈ হায়বী অদুবু করিদা ফরিবনো? পাম্মুবা খঙদ্রবা, চেকশিন্না য়ূম পান্দ্রবা, মচা মশুবু ৱারক ৱাতেম্বা ঙমদ্রবা নুপীদুবু লৈকাইনা করিগী অসুক নুংশিবীরিবা? খৎনরুরে, চফু কায়রগা ক্লাক হরাওই হায়বদুগুম, খৎনবা য়েংবা থোরকপা ময়ামদো মাগী মীচঙ হেক্তা মওইখি।”

দাসবাবুগী ৱারীদু লোইদ্রিঙৈদা মনিসনানা মরক থৎনা হায়রকই, “ওজা, তিলহৌ থাবগী ৱারীদুদগা অমুক্তা লীবিয়ুনে। পিরিওদকী বেল খীংলক্তৌরে, ওজা ময়াম লাক্লরনি।”

দাসবাবুনা মখা লীথরকই, “মেদাম, ঐসে খরা লূবা-নানবা পামজৈ, ঐনা শেৎলিবা অঙৌবা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওসে ঐনা শুজবা ঙাক্তনি। ঐগী নুপীনবু শুরম্লবদি অদুম শেৎপা য়াদ্রে। অদুগা এঞ্জাং নাপী থাফম ইখ্নোল মতেক অমসুং লৈজে। স্কুলদগী হনখ্রগা মনা-মশিং, মরোয় মপাঙ পামজনা হেক হেক থাজে। মদো য়ূম পুরিবী নুপীনা নোং’ফাও য়েংবীবজাৎ নত্তে। থাবদগী, ঈশিং চাইবদগী, হেকপা ফাওবা ঐনা তৌজবা ঙাক্তনি।”

নুংঙাইতবা ৱারীদু লীখৈ লীরম্লগা মমায়দু লৈথোক্তুনা অচৌবা শ্বর অমা হোন্দোক্লুরবা মতুংদা ওনশিল্লক্তুনা অমুক মখা তারকই, “ঐগী হৈনবী অমা লৈজে মদুদি তুম্বা হৌগৎলক্লগা ইখ্নোলগী অশং-অমানদু য়েংলগা নুংঙাইজবা। নোংমদি, ঐনা তীলহৌ খরা লৈরগা মঙোন্দা থাউ হায়না শিন্নরম্মী। থাফম মফমদুসু শেন্লগা থল্লবনি। তীলহৌ মতোন্দু খরা খরা কক্লগা থাউ হায়না নীংথিনসু তাক্লিবনি। তীলহৌ থাখিবদু চয়োল হেন্দুনা থা ফারক্লফাও তীলহৌদু মতোল খজিক্তং ফাওবা চোংখৎলকপা উখিদে। মদুদা ঐ চিংনবা পোক্লক্তুনা, মদু করি হৌদ্রিবনো হায়দুনা লৈবাক হোৎলগা য়েংলুবদদি, হা হা...।”

ওজা দাসবাবু তুমিন্না লৈথোকখ্রে। ৱারী খংতৎ তৎখিবদুদা ঐনা য়াম্না খঙনীংনা হংজিল্লুই, “কৈদৌরম্লগে ওজা?”

“তীলহৌ মরা চোংগদবা শরুকশিংদু লোইনা ককথৎলগা, মতোন চোংলক্কদবা মতোনশিংদুনা লৈখা ওল্লগা লোইনা লোংথা লোংথা থারম্লবগী ৱানিনে।”

ঐখোয় ময়াম হৌনরুবা তৌদনা ৱা নোকথোক্লখি। ওজা দাসবাবুদি মাগী ৱারীদু অদুম মখা তাথরকই, “শাউনীংমনখ্রদুনা খৎনরুরে। মাদি শাউরিবনি হায়দুনা চাকফাও চাদনা নুমিৎ মরি-মঙানি ফমুংদা তুন্লগা অদুম হেক্তা লৈথোকখি। মদুদা ঐনা ওইরমগদবা ফীভমদু ৱাখলনা শাগৎতুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু। ঐগী স্কুল চৎননবা, পীক্লিবা ইচাশিং পীজবা থোং থাকপা, ঈশিং শোকপা, ইচাশিংগী মফি মরোল শুবীবা...।”

মনিসনানা অমুক খংহায় হায়জিল্লকখি, “ওজা, ঈশিং তেঙ্কিগী ৱারীদুগদা...।”

“লোইশিল্লসিদা, বেল খীংলক্কদৌরে, পূংসে য়াদ্রে”, হায়রগা দাসবাবু তুমিন্না অদুম লৈথোকখ্রে। অদুদগী ক্লাস চঙননবা হৌগৎলগা অদুম থোকখ্রে।

ক্লাস চঙনরুবা ওজা খরসু কমন রুমসিদা চঙনরক্লবদা মনিসনানা ঐগী ইনাকলোমদা নকশীল্লক্লগা, অতৈ ওজাশিংদু তাখিদনবা মওংদা লোন্না হায়রকই, “ওজা, মাগী নুপীদো জাতা অমা তৌবজাৎনি। দাসবাবুনা অয়ূক্তা স্কুল কারক্লিবসে অয়াম্বা মতমদা চাবোই চাদবোই তৌদুনা লাকপনি। য়াম্না নোক্লীং নোক্লীংলবা ৱারী য়াম্নসু লৈবনি। ফিয়ান্দা য়াল্লিবা, কুমসি নিংথমথাদা লীৎপা জর্সিনচিংবা ফিরোলদু মথং নীংথমথা লাক্ত্রিফাওবা অদুম য়াল্লগা লৈ হায়। মদুদা মফম চানা থমদে। হায়রুবদা কদায়দনো নমশীল্লগা থম্বদা উচিনা মকোন শাজিনবগী মথক্তা লোইনা চীক্লমদুনা মাঙখি হায়। অদুগী মতুংদা ওজানা শ্বাল অমা লৈরকপদু লুহোং খোঙদোংবদা ইন্নবনি হায়দুনা মাগী নুপীদা নীংথিনা থম্নবা হায়বদা থা খরগী মতুংদা লুহোংবা চৎলমদায়দা পুথোরকউ হায়রুবদা পাক্লা থিবা খঙখিদে হায়। কনাগী উপু-নুংপু, মোম্পাক মখা, কাঙখনচিংবা ফাক্তুনা থিরবা তুংদা চাকশঙদা লৈবা শগাই কাংথক্তা লৈরম্মী হায়। উফুল ৱাইফুল, লৈকাংনা অমুক্তোইবা পুন্নোইনি হায়।”

মনিসনাগী ৱারীদুদা ঐনা মখা তাশিনখি, “নঙনা লীরিবা ৱারীদু ঐ কয়া থাজরক্ত্রে। কনানা খঙনি, দাসবাবুনা নুপী অমা থীনিংদুনা মাগী নুপীবু অদুক শাথিনা ব্লেম তৌদুনা ঙাঙলম্বসু।”

মনিসনানা হায়রকই, “হে সত্য, ইচে, থাজদ্রগা ওজা নাথবাবুদা হেক্তা হংবীয়ুনে।”

হন্না য়েংথোকখিবদা ওজা নাথবাবু নাকলদা মেগাজিন অমা পাদুনা লৈরম্লি। ওজা খরা লৈবদুদা অদুম হংদ্রে।

মনিসনানা ৱারী মখা চখ্থরকই, “দাসবাবুনা ৱাবসিদি করি অমুক হায়নি? স্কুলদগী হনখ্রগা ৱাগী লেংথোং চৈদুগী মতোন অনীদা তিন অনী-অনী য়াল্লগা ঈশিং হোল্লুদৌরিনি। মদুসু চীংখাদগী মাগী ময়ূম শারিবা চীংদোঙদুগী মথক তান্না।”

মরক থৎনা মনিসনানা মথন্তা পেন্না ফাক-ফাক নোকথোক্লুরগা অমুকসু মখা তারকই, “মখোয়গী য়ূমগী শাইজিন্দগী তারকপা নোংয়াহীদু নালা য়ারগা তেঙ্কি মচা অমদা থাজিল্লগা থম্মী হায়। নোংমদি মানা স্কুলদগী হনখিবদা নোং মম্না লাকপদুদা মতৈ মনাও চঙদুনা ঈশিং তেঙ্কিদু শেংদোকমীন্নমাল্লে। লোইরকপগীদুদা মখোয়দা মী অমা লাকপদুদা, তেঙ্কিদগী ঈশিং থাদোক্লুবা পাল্লিবা অহোবদু মেনশিন্নবা শিন্নরম্লগা চৎলে হায়। হায়রিবা নুমিদাংদুদা নোং কন্না চুবদুদা ঈশিং হোনবা লেপ্পনি হায়দুনা ৱাখল য়াম্না নুংঙাইখি হায়। নোংঙাল্লগা য়েংলুবদদি ঈশিং তেঙ্কিদুদা ঈশিং মরীক অমফাও য়াওরমদে হায়য়ে।”

মাগী ৱারীদু তারগা ঐনা য়াম্না খঙনীংনা হংজিল্লুই, “আই, অদুদি কমাইনা তৌরিনো?”

মনিসনানা নোক্লগা হায়রকই, “নীংথিনা শিন্নরম্বা অহোবা মখুলদু মেল্লম্লবদবু তেঙ্কিদো ঈশিং য়াওরম্লোইদ্রো?”

শাবগী চাংদা থৱানগী নুংশা হায়রেদনা! স্কুল ছুটি থাবা মতম নুংথিলগী পূং ১/২ সিদি কয়াম শারমগনি? কনাগুম্বনা ফাগি ওইনা হায়নৈ, কাখৈ শাই হায়দুনা কাছার থোনখ্রিবনি।

দাসবাবুগা ঐগদি লম্বীসু পুল্লি। স্কুলদগী কিলোমিটর অনীরোম চৎলগা ঐগী য়ূমনি অদুগা দাসবাবুগীদি ঐঙোন্দগী অমুক কিলোমিটর মঙারোমদু মখোঙনা অমুক চৎখিদৌরিনি।

চৎমিন্নবসিদা দাসবাবুনা ৱারী হৌদোরকই, “মেদাম নুংশানগা শাবনে, হকচাংনগা ঙমদবনে চানীংববু অমতা লৈত্রেদা। ঐখোয়সে ওজা মনিসনাখোয়গী মীতৈ খুলদুদা চাউরকপনিনা ইমাদো মীতৈগী এঞ্জাং খূৎথোং য়াম্না হৈ। ইমানা থোংবা মীতৈগী হঙ্গাম চম্ফুৎ, পাকনম, উতী, ইরোনবগী মহাও কাউবা ঙমদে। অদুবু হৌজিক ঐনা য়ূম য়ৌখিবদা ঐগী নুপীনা থোংলমগদবা থাউদা মরোয় থোংবা এঞ্জাংগী মনমদু তাবদা কমাইনা তৌরিনো খঙদে, পুকসি হেক্তা থনগৎখি। অদুগা ঐগী নুপীদুনা কমাইনা তৌরমগনি খঙলব্রা? থবক শংদে হায়দুনা চাক ফাও চারম্লোই। ইমুং মনুং ৱাইরম তৈদুনা, ফিশু-ফিজাম তৌবসু নত্তে। ইচাশিংদুনা কদায়দা শান্নখ্রিবা অদুসু য়েংশিল্লোই। নুমিদাংদা ঐনা অঙাংশিংদু থেম-নৌদুনা লাইরিক ঙাইহাক্তা তাকপীগে তৌবগা, মানা মশা ঙমদে হায়দুনা নাহেরগা অঙাংশিংদুদা হেক্তা থৌদারকপা। ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়নৈ। অদুগা নুপী ফত্তবদি করি হায়দৌনো খঙদ্রে। ৱাখলসি খরা ফাথনবা লাইরিক খরা পাবা, শৈরেং খরা হেক হেক ইরগা মতম লেল্লি। অইবা শৈরেং খরদু ফোঙলগে হায়দুনা প্রেসতা পীখ্রে অদুবু এদভান্স লুপা লীশীং তরা পীয়ু হায়রি। হকচাং ঙমদবসি ডাক্তরদা য়েংহন্নবা শেলফাও লৈতদুনা লায়েংদ্রিবা ঐনা প্রেসকী অদুক য়াম্বা শেনফমদু কদায়দগী পীরুনি?”

ঐনা হায়, “অদুগুম্বা অফবা থবক্তুদি ঐখোয়সু খরা খরা মতেং পাঙশিন্নবা য়াইনা?”

ঐগী থোঙ্গাল য়ৌরক্লুদুনা ঐ লৈহৌরে অদুবু দাসবাবুদি ময়ূম য়ৌনবা মখা তানা চৎখ্রে।

ঐখোয়’ মপানা হেক হেক হায়বা, Every poor man behind a woman হায়বদু নীংশিংলকই। অদুগা অসিমসু হায়খিবনি, Every success man behind a woman।

ঐনা খল্লি, নুপীদি ঈশিংগা পাঙখক্লে। লাইরিক হৈবা হৈতবা, লৈঙাক্কী থবক তৌবা তৌদবা, লায়র ইনাক খুনবগী ৱা থাপ্পা থমখ্রগা, অসিমতং হায়নীংই, নুপীদি নুপীনি। মচা-মৱা ওক্তে হায়দুনা নুপীদুনা তুমিন্না অদুম লৈথোক্লবদি ওক্তবদুদা মাসু য়াওরিবনি হায়বসি খঙগদবনি। ওজা দাসবাবুসি মথ্বায় নুংঙাইত্রবনিনা তেন্সন ৱাংমনবগী জাৎ জাৎকী লায়না নারক্তননে!

নোংঙাল্লে। স্কুল য়ৌবদা মনিসনাদু কমন রুমদা মথ্বায় নুংঙাইতনা মায়থোঙ লুরুক্লনা তুমিন্না লৈরম্মী। মাদি অদুম্না তুমিন্না ফম্লগা লৈবা হৈনবা মীদি নত্তে।

ঐনা হংলুই, “কৈদৌবা য়াওরগে? ওজা দাসবাবুগী লাইরিক অমা ফোঙনি হায়দুনা ঐখোয়সু খরা মতেং পাঙবীবদি চুম্বজাৎনি?”

মনিসনানা খুম্লকই, “কদায়দগী লাইরিক ফোঙবনোদা, ইচে। ওজা মশাদু শিলচরগী নর্সিং হোম অমগী আই সি য়ুদা ঙরাং অহিংদগী লৈরে হায়। বি পি স্ত্রোক্লি, কয়া থাজদেবু হায়রি।”

---

## তাবুনুংদগী

লৈখিদ্রবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৯৯ গী নবেম্বর থাদা ফোঙবা ‘‘ককচীংগী কবিতা’’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অদুদা য়াওবা য়াম্না নুংঙাইরবা অমদি অর্থ লৈবা শৈরেং ‘‘ য়োকপা অমসুং শিবা’’ ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

### য়োকপা অমসুং শিবা

য়োকই শি য়োকই শি
নীংথিনা য়োকই যতন তৌনা য়োকই
অদুবু শি য়োকনা য়োকনা শি
মীনা য়োকপদা শিখি
উমংগী কৈ মচা অমা
ওজানা তাকপদা পঙশিনখি
ফনা ফরম্বা অঙাং অমা
মপানা শেম্বদা মাঙখি
মী ওইজরম্লগদবা
নুংশিরবা অঙাং অমা।

*লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

---

## মণিপুরী পাম্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

* **কীর্ত্তনদগী হৌরগা পোরোক্তা লোইশিনবা।**
  – য়াম্না চাউনা তৌরুবা থবক ঙম্মক্তবদগী পীক্লা লোইশিনবা।
* **কীর্ত্তন মপু ৱাখোংদা লোৎপা।**
  – থৌবুনা শোয়বদগী মশা কঞ্জনবা লোৎখিবা।
* **কিনমুক্তা ৱাংবা মী (নুমিৎ য়ুংবা মী)**
  – থীক নেম্বা মী।
* **কুম কাংলে চীন কংলে।**
  – পোখোক লৈতবদগী চানিংঙাই লৈতবা।
  – শূ-নোমদ্রবদি চাবা ফংবা হৌনদে।
* **কুমগা লাইগা পাবা।**
  – হেন্না অৱাবা ওইবা।
* **কুমগী নোংহৌনা মকুম মথা নাই।**
  – পূন্নমক মাগী মাগী মতম লৈ, মহৌশাগী থৌশিলনি।
* **কুমগী নোংদা লৌউবগী লাইবক।**
  – নোং চীংগী ফীভমনা লৌউবগী লাইবক লেপ্পী।
* **কুম লায়নাগী মী মাল্লবসু নুপী মমাঙদদি খোন থারুনু।**
  – মশা শোল্লবসু নুপী মমাঙদদি শিব কিনদে, চেকশিনগদবনি।
* **কুম লায়না খূৎ থারবনা ফরকখিনি, উকংনা য়েন্নীং হল্লকখিনি লৈবগুম্মী।**
  – ফরকখিনি হায়বগী আশানা মীওইবগী ৱাখল চাউথোকই।
* **কুমশি মপাল শারগা নোংমৈ মহৈ য়াল্লগা**
  – অশানা পুন্সিগী লমবী ওই, পূক্লীং ৱাখল নুংঙাইথোকপা ঙম্মী।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

---

## চানক্য নীতি

– লম মাঙখিবা, পূক্লীং নুংঙাইতবা, য়ূমগী নুংঙাইতবা ৱাফম, ইকায়বা পীরকপা, চৈরকপা হায়রিবশিংসি অশিংবা মীনা হায়দোকফদে।
– শেল তানবদা, জ্ঞান তানবদা, চাবা থকপদা অমসুং মীয়াম তিনবদা ইকায়বা থাদোকপা মীনা নুংঙাই।
– লনগীদমক মিহৌবা মীদুনা ফংবা ঙমদ্রবা নুংঙাইবদু পেন্থোকপা কৌবা অমৃতবু ফংলবা পেন্থোক্লবা মীনা ফংবা ঙম্মী।
– মশাগী নুপী, চীঞ্জাক অমসুং পুকচেল শেংনা তানবা লন্দা পেন্থোকউ অদুগা স্বাধ্যায় (লাইরিক নৈনবা), তপস্যা (নাম শোনবগুম্বা) অমসুং দান তৌবা হায়রিবসিদদি পেন্থোকপা য়াদে।
– ব্রাহ্মণ অনীগী মরক, ব্রাহ্মণগা মৈগগী মরক, মতৈ-মনাওগী মরক, মপু-মনাইগী মরক অমসুং ষণ লাবগা লাঙ্গোলগগী মরক্তা চৎপা য়াদে।
– মৈ, গুরু, ব্রাহ্মণদা খোঙনা শোক্লোইদবনি। কুমারী, ষণবী, অহল অমসুং অঙাংদা খোঙনা শোকপা য়াদে।
– ষণগাড়ী অমদগী খুদুপ মঙা, শগোল অমদগী খুদুপ তরা, শামুদগী খুদুপ চাম্মা লাপ্না লৈয়ু অদুগা ফত্তবা মীদগীদি মফমদু নৎত্রগা লৈবাক্তু থাদোকউ।
– শামুবু অঙ্কুশ (শামু কাটি) না শগোলবু খূবাক্লা, মচী পানববু (শাবু) চৈনা অদুগা মবুক ফত্তবা মীবুদি থাঙনা ৱারকউ।
– ব্রাহ্মণনা চারগা পেল্লি, ৱাহোংনা নোং খোংবদা নুংঙাই, সাধুনা অতোপ্পগী লম্থুম লৈবা উরগা পৌঞ্জে অদুগা মবুক ফত্তবনা মীনা ৱাবা, খুদোংথীবদা নুংঙাইজে।
– পাঙ্গল কনববু মরুপ ওইরগা নৎত্রগা নোঞ্জরগা চান্নৌ অদুবু ফত্তবা মীবুদি হেন্না কন্না মায়োক্নৌ। মান্নবশিংবু নোল্লুকপা উৎলগা নৎত্রগা শক্তি উৎলগা লোয়নৌ।
– নিংথৌগী পাঙ্গলদি লান্মী অমসুং লান শোক্লবা হৈবদা লৈ, ব্রাহ্মণগী পাঙ্গলনা ব্রক্ষ খঙবদা লৈ, নুপীগীদি শক্তম ফজবা, নহা ওইবা অমসুং থোৎ মেঙবদা লৈ।
– হেন্না চম্বা নৎত্রগা চুমদ্রিং চৎপা কান্নদে। বন্দ চৎলগা য়েংউ, অচুম্বা উশিংদু হান্না থীরগা লায়না য়াম্থোকপনি অদুগা অপৈবা অখোয়বশিংদু য়াম্থৎতনা থনম্বনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

---

## মণিপুরী পাউখোং

**ঙসিগী পাউখোং ঃ**

১৪৭. লৈতাম্থেমগী ইন্দোলদা থাংজমগী তাঙাংনা ঙকথী চপ্পা–
১৪৮. জঙ্গলদা শা ফারগা শরূ মরক্তা পোৎলোয়বা–
১৪৯. ইনাক খুনবনা য়োমশন্দুনা পুখিবা লাইরবনা লাক্তুনা লংথোক্লম্বা–
১৫০. ফৌ মরূ অমনা কোৎ অমা থনবা–
১৫১. পীক্লিঙৈদা অশংবা শেৎপা চাউরগা অঙাঙবা শেৎপা–
১৫২. পীক্লিঙৈদা মফী শেৎপা চাউরগা শেৎতবা–
১৫৩. উপু মনুংদা য়াওবা লৈ পখবা নাইদবা–
১৫৪. অশিববু অচঙবা মরক্তা চঙলগা অচঙবা ওল্লকপা–

**মমাঙ নোংমাইজিং (১২-০৫-২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ**

১৩৯. উগী পুনা ( থোংলোন্নবা)।
১৪০. থরোই।
১৪১. চেঙজামলুক্তা চেঙ পুরগা পুখ্রিদা চান্লুরগা হল্লকপা।
১৪২. থৱান্মীচাক।
১৪৩. বাশি।
১৪৪. বাশি।
১৪৫. হুই মমৈ।
১৪৬. বাশি।

---

## কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **য়েরুম থম্বীগে হায়রবদি?**
  ফ্রিজদা খঙদে, অমদা খঙদে য়েরুম থম্বীবদা পীকশীনবা মতোন্না মখা ওন্থরগা থম্বীয়ু, পাক্তক তৌবা মতোন্না ওনখৎপীয়ু, কুইনা থম্লবসু য়েরুম মমুৎকী ফীভম কায়রোই।
* **য়েরুম ফুৎপদা চেকখায়হনবীরোই হায়রবদি?**
  য়েরুম ফূৎপদা চেকখায়হনবীরোই হায়রবদি ফূৎপীগদৌরিবা য়েরুমশিং অদু য়েৎতুম মতোন্না অমুক-অমুক্তং হান্না থিন্দৎপীখো।
* **য়েরুম (অফুৎপা) মকু য়াম্না লায়না খোকপীগে হায়রবদি?**
  য়েরুম অফুৎপগী মকু লায়না খোপীগে হায়রবদি ফুৎপগী ঈশিংদুদা ‘বেকিং পাউদর’ চামচ তঙ্খায় অমত্তং য়ানশিনবীয়ু।
* **য়োৎপী মচা থাবীগে হায়রবদি?**
  অকুপ্পা য়োৎপী মচা থাজিনবীগে হোৎনবিবদা য়োৎপী অদুনা পীকমনখিবদগী খূৎনা পায়বদা নাতৈ চাদ্রবদি শমফাবী পিন (বোদি পিন) না চপ্লগা থাবিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*

---

## চয়োলসিগী ফাগী

**শৌ শৌ মপী!!**

য়ূমগী নুপীনা মাবু য়াম্না খম্বনজবা, অদুগা মশানসু নুপীবু য়াম্না লুনা লৌজবা, ওফিসতা থবক মচা অমা তৌবা কেরানিদু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ওফিস মতম হেক লোইবগা কদায়দসু লমফাইরুবা তৌদনা চুমদ্রিং ময়ূমদা হেক হেক হঞ্জে। নোংমতং থেংবদা মাগী নুপীনা তৌরক্কদবা ইশৌবুসু তশেংনা কিজবনি অদুবু নোংমদি ওফিসতগী ময়ূম হন্নবা হোবে হোবে শিড়ি কুমথবদা খোঙফম চাহৌদবদগী ওন্থদুনা মরায়বক পোম, মখুবী তেক তৌদুনা হোস্পিটাল য়ৌরুরগা হল্লকপদদি থেঙদোকখ্রে। ময়ূম হেক চঙলকপগদি ঙাইরম্লবা নুপী হৌরকই–
– পূং ৫ দা ছুটি থাবা ওফিস হল্লকপদা পূং ৭ তাবসিবু করিনো! য়ূমদা ঐখোয় লৈহৌরিকায়সি কাউবীরব্রো?
– ওফিসকী শিড়িদা নাম্থবদৈ খূবীকা তেক্তনা তৌরিনি, লাইবকসিসু পোম্লিসিনি (মখূৎ খূবীদা য়েৎলিবা প্লাস্টর অমদি মরায়বক্তগী তংখৎনা পোমখৎলিবকাদু উৎলি)।
– ঐখোয়নে মপানকা থোকচদ্রবসু য়াম’ পঙবকাদি নত্তেকো, নত্তে, ওফিসকী শিড়িতৈ ওন্থবসিবু পূং ২ চঙৱাও!

**থবক য়াঙনবা মশেল!!**

মী পোং কয়া চৎনদবা তাল্লক্লি। নহা অমনা খরা য়াঙলপ থৌরকপা মোটোর বাইকতু কদায়দৈনো মচি অমদৈ ফৎ থোরকপা অতোপ্পা নহা অমনা মখূৎতা নোংমৈ মচা অমা পায়রদুনা খাম্মী– ‘মরুপকী গাড়ীসি লৈবাক্কী অথুবা অমগীদমক শীজিন্নজরুবা তারে, নোং নীনিদা হেক্তা থিঞ্জরক্কে।’
– চৎমিন্নবা য়ারগনা চৎমিন্নখ্রসি মরুপ, ঐহাকসু লৈবাক্কী ওইবা অথুবা থবক অমগীদমক হৌজিক্তা মশক খঙদবা অমদৈ লৌরক্লিনি!

---

## শৈরেং

### মীনিকো মখোয়সু

*– তবানু খুরাইজম*

তাম্না য়েংলগদি মফৈজে
মীওইবগী হিংনফম ওইরিবী
তাইবঙ লৈকোন ময়োনগী
খ্বাইরমবন্দ কৌবী কৈথেলসে।
থংনবা মীৎকুপ অমদদি
ফাউখি থম্মোয়দা তুজুংবা
খল্লকই মীনিকো থম্মোয়সু
হুমখি লিচৈগী নোংলৈনা
মনা-মশিং এঞ্জাং নাপী
নোংমগী চরাগীদমক চরি তৎলবীদা।
উখি, তাখিবা পীরাং মরিক
উফুল থাংলবা কোয়লাস মথক্তা
পুক্কী বন্দ ওইরনি খন
ব্রজনা শোক্লবা থম্মোয়শিং
অৱাবা কয়া ঙাংথোক্তা
তাইনফম খঙদ ইরান্নি খন
অৱাবা কোকথোং পুহৌরি।
লীলাগী নিংথৌ শাবদি
খঙনা উনা উশিন্নদে
মনাই মশনগী মতৌসে
ঐসু মীনি মখোয়সু মীনি
খূবাক খূনমতনি কন্নদে।
লৈতবগী চৈথেংনা খনখিবনা
খৌরাংবা কোক্লবা লৈহৌরি
পুক্কীদমক লাম্থেংনহৌরি
অৱাবগী লানফম ময়াইদা
থম্মোয়দদি শোলহৌই পেন্দনা
মীনিকো মখোয়সু।

### চয়েৎনবা লৈঙাক্তি লোইবা নাইরোই

*– কে ইঙো মৈতৈ*

জগোয়বু শাবদি হৈত্রগা নীংথিনা
করিগী জগোয় শাফমদা তাইনশিল্লি,
লৈঙাক চুপ্পি পায়ফম খঙদবনা
লোইবা নাইদ্রবা ইনাক্তা হিহোনবগুম
ঈথক ঈরৈশিংসু ইনাক্তগী লাপথোক্লরোই
চেনশিল্লক্কনি অতাওবা ফুমসু ইনাক্তা,
হিহোনফম খঙদনা কোইঙাওনরনি ইনাকথক্তা
হিরুবাক্তা কাদ্রিঙৈ নীংশিংঙুনে ইরমদমসে।

মীরানবু থাজবা থাদোকপা ঙমদ্রিঙৈ
মীরানশিংবু হৌরকফম অচুম্বা খঙদ্রিঙৈ
ফম্বাল কাহনগে হায়না থৌরাংলবা
হল্লক্লরোইএ লমদমসে মফমসিদা অমুক!
খূত্তা পায়বা ইতাওগীনি হায়বা
য়াদা হুকপসু ইচাগীনি তাকপা
কুৎ লাওবনা ঐগীনি খঙজিল্লো!
মীরম ইয়ান্না নিংথৌ ওইরবদি
য়েক্লবা মশীং য়াম্লগনি হায়রিকো!
অশিথোঙ পুরোলসু তোয়না হাংলগনি
থাজদবা তৌরগনু চাংয়েংসু পাল্লনু!
ইশাগী খূৎ য়েৎনা পায়বা
ইশাগী খূৎ ওইনা থাজদ্রবনে
মতমসে কুইদ্রবনে! লাক্লনি মতমদো
ঙাইমিন্নসি খঙমিন্নসি লাক্লগদবা মতমদো!
থীজিনবীরো মাঙজৌননা মতমদো লাক্ত্রিঙৈ
শকপীরো শোনবীরো অচুম্বা লাইশোলশিং
ইপানাৎ ইপুনাৎ খোঙ্গুল থীরসি
চয়েৎনবা লৈঙাক লৈহল্লগুমসি অমুক!

### লম্বী

*– লাইশ্রম দেবেন*

লম্বীদি লম্বীনি
নাথৈদুনা চৎপা য়াদ্রবা
মদুদা চৎলগা পোখাবা, শান্তি ফংই
নঙগী মাগী মখোয়গী অমদি ঐগী।
চৎখি লম্বীসিদা আ- লাই হাক্তকতে
থৈদোকপা ঙমখিদে মখোয়সু
ৱাবা-নুংঙাইবৈ চক্রনুংদা
মৈশাদি লাংখিদ্রে লমবীদুদা চৎখিবশিং
কপ্পা নোকপা লৈতে মখোয়গী লম্বীদো।
‘শান্তি’ মফম য়ৌই হায়নৈ
অখণ্ড-অহৈশিংনা ঙকইদো।
মমাঙ, হৌজিক, তুংগী
চৎখ্রবা চৎনরিবা চৎনগদৌরক্লিবা
থৈবা য়াদ্রবা নানথোকপা ঙমদ্রবা
‘পুন্সি লম্বীনে’ কাউগনু অমুক।

### তোকঙা

*– নিংথৌজম প্রেমিলা*

অসিৱাইদা চৎহৌই ককচেং খরা
পরেং-পরেং, উশাদা
মচীঞ্জাক পুদুনা, হোৎনবা লেপ্তখৈ
নোংজুথা মতমগী, অৱাবা নংদন্নবা।
অমমম-অনী থেঙ্গায়রদুনা মকোক
লৈহৌই পনদুনা
ককচেং কোকচাউবী খরসু
তম্নহৌরি মপাউ, অৱা-নুংঙাইগী
লিন্নহৌরি ৱারী-শিংবুল, লোইনাইদ্রবা।
তারকই ককচেং অমখক উখাদা
লম্বী থৈনবদা, মখোয় মশেল
শৈশক্লম্মী খোম্থাং য়ৈনা
‘ৱাত্তনবা পৈশিল্লগা ঐবু তাম্থোকপীরক-এ’
‘ৱাত্তনবা পৈশিল্লগা ঐবু তাম্থোকপীরক-এ’
ৱা-ৱা অতাবশিং, মখোয় মশেল
পাউদমখি ককচেং খুদিং
থেংনরিবা, লৈমায়দা চৎলিবা।